




*Contributed By:*

Dr. Ak. Bijaya Devi
Dr. Ng. Piloo
Dr. G. Suja*
Department of Horticulture
College of Agriculture
Central Agricultural University
Imphal.
* CTCRI, Thiruvananthapuram,
Kerala


# 'হাগী ওর্গানিক প্রদক্সন'



All India Co-ordinated Research Project
on Tuber Crops
C.A.U., Imphal Centre

Scanned by Scanner Go

‘হা’ হায়বা ট্যুবর অসি ইনর্জি যাম্না পীবা, মহাও লৈবা অমসুং মেদিসিনেল প্রোপর্টিসু যাম্না য়াওবা ফুদ সিক্যুরিটি ক্রোপ অমনি। চাবা য়াবা ‘হা’ ময়ামগী মরক্তা Asiatic Yam হায়বদি গ্রেটর য়াম (*Dioscorea alata*) অমসুং লেসর য়াম (*Dioscorea esculenta*) অসি নাইজেরিয়াদগী ইন্দিয়াদা পুরকখিবনি। হায়রিবা য়াম মখল অসি দ্রাই মেটর ৱাংই, থোংবগী ক্বালিটি লৈবা, অফবা ট্যুবর মখল, মহাও লৈবা, মনম নুংশিবা অমসুং ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা এগ্রো-ক্লাইমেটিক মফমশিংদা থাবদা য়াম্না চান্নে।

অনেম্বা হা মখল Sree Dhanya হায়বা ICAR-CTCRI না পুথোকপা হা অসি ঐখোয়না য়ুমদা থাবদা য়াম্না চানগদবা মখলনি মরমদি হায়রিবা হা মখল অসি মরি চত্তে।

ঐখোয়না য়ুমগী ইঙ্খোল অমসুং অকোয়বদা হা থাবদা ওর্গানিক প্রদক্সন টেকনিক অসিনা য়াম্না মতেং ওইগনি। ‘হা’ গী ওর্গানিক প্রদক্সনগী চৎন-কাংলোনশিং মখাদা শন্নপ্পা নৈনজরি।

গ্রেটর য়ামগী এনথ্রাক্রোস লায়নাদগী রেজিস্টেন্ট ওইবা মখল হায়বদি Shree Karthi, Sree Swathy নৎত্রগা তোলেরেন্ট ওইবা মখল হায়বদি Sree Nidhi অমসুং Sree Karthika থাবিগদবনি। ওর্গানিককেল্লি পুথোকপা White Yam অমসুং Greater Yam গী 250-300 gm লুম্বা হাগী ট্যুবর মচেৎশিং অমসুং 100-150 gm লুম্বা ...বরনা Lesser yam গী থাবিগনি। ‘হা’ থাবা মতমদা ফজনা তৌ...কপিরবা কোমদা, পরি অমদা টন ১৬গী চাংদা (হায়বদি 1.2 kg ...ী অমদা) ফজনা পৎথ-পুমথরবা ফার্ময়ার্দ মেন্যুর (FYM) হাপ্পি...নি। পরি অমদা Neem cake টন অমগী চাংদা (হায়বদি কো... অমদা 80-85 gm) থাবা মতমদা হাপ্পিগদবনি। বাই...র্টিলাইজর হায়বদি Azospirillum (পরি অমদা kg অহুমগী চাংদা, Mycorrhiza (পরি অমদা kg মঙাগী চাংদা) অমসুং Phosphobacteria পরি অমদা kg অহুমগী চাংদা) Greater yam, Lesser yam অমসুং মরি চৎপা অঙৌবা য়ামগী মখলদা হাপ্পিগনি। অপিকপা অঙৌবা ‘হা’ (Dwarf White Yam) গী ওইনদি পরি অমদা Azospirillum 3 kg অমসুং Mycorrhiza 5 kg হাপ্পিগনি ঐখোয়না থাবা মতমদা। ‘হা’ থাবগী মরক-মরক্তা গ্রীন মেন্যুর Cowpea (পোংহৱাই) পরি অমদা 2 kg গী চাংদা হুনবিগনি অদুগা নুমিৎ ৪৫-৬০ শুরকপদা গ্রীন মেন্যুরদু লৈবাক্তা হাপচিনবিগনি। হাপচিনবীগদৌরিবা গ্রীন মেন্যুরগী চাংনা পরি অমদা ১৫-২০ টনস ওইগনি। গ্রীন মেন্যুর হাপ্পা মতমদা Ash (উৎ) অসি পরি অমদা ১.৫ টনসকী চাংদা (হায়বদি পাম্বী অমদা 120 g) হাপ্পীগনি।

## ওর্গানিক প্রদক্সনগী খুদোংচাবশিং:

– মীয়াম্না চথনরিবা হা থাবগী মওংদগী পোত্থোক +19% হেনগৎপা ঙমহল্লি

– অফবা অমসুং মগুনলৈবা ট্যুবর (+7% দ্রাই মেট্টর, +6% ক্রুদ প্রোটিন, +K, +Ca অমসুং Mg হেন্না ফংবা ঙম্মি ময়াম্না থাবগী মওংদগী)

– লৈবাক লৈহাওগী ফিভম (+4.6 unit pH, +14% ওর্গানিক C, +34% K, +12.39% Ca, +14.78% ৱাটর হোল্ডিং কেপাসিটি হেন্না ফবা লৈবাক ওই ময়াম্না থানরিবা মওংদগী)

– শেল তানবগী চাং ৱাংখৎহল্লি (Greater Yam, Lesser Yam অমসুং White Yam না পরি অমমমদা লুপা 498940, 55620 অমসুং 187620 গী চাংদা ফংবা ঙম্মি)।

